# ভোকেস্নেল ১দি স্কিল দেভলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রামগী করিক্যুলম হাপ্পা মথৌ তারিঃ গভর্ণর

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩(এস এন এস) ঃ

লৈবাক অসিগী হ্যুমেন রিছোর্স চাউখৎনবা ভোকেস্নেল অমদি স্কিল দেভলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম কয়াগী করিক্যুলম তোঙান–তোঙানবা মহৈলোইশঙশিংদা হাপচিনবা মথৌ তারি হায়না মণিপুরগী গভর্ণর ডা নাজমা হেপ্তুল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নোর্থ এ ও সিদা লৈবা অশা হোলদা পাঙথোকখিবা ৩২রক শুবা কনভোকেসন ওফ ইন্দিরা গান্ধী নেসনেল ওপন য়ুনিভর্সিটি (ইগনৌ)দা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা গভর্ণরনা মখা তানা হায়,ইগনৌ রিজনেল সেন্টর, ইম্ফালগী ৩২ শুবা কনভোকেসনদা তোঙান–তোঙানবা ইষ্টেকহোল্ডর, মহৈরোয়,ওঝাশিং,একাদমিসিয়ান,রিছার্সর কয়ানা শরুক য়াবা প্রোগ্রাম অদুদা মহাকপু শরুক য়াবা ফঙহনবদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

মহৈরোয়গী পূন্সিদা কনভোকেসন পাঙথোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপা অসিনা মহৈরোয়শিংদা হেন্না হোৎননিংবা পোক্তুনা লৈবাক অসিগী য়াইফনবা থবক কয়া তৌরক্কদৌরিবনি। মহৈরোয়শিং অসিবু মহৈ–মশীং তঙ্গীদুনা মায় পাকপা অমা ওইহনবীরক্লিবা প্রোফেসার অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টাফশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়,ইগনৌ অসি কুমজা ১৯৮৫তা এক্ট ওফ পার্লিয়ামেন্টনা ইষ্টাব্লিস তৌখিবনি। ওপন অমদি দিষ্টেন্স এডুকেসনগী সিষ্টেম হৌদোকপা ওইনা লৈবাক অসিদা ইষ্টাব্লিস তৌখবদগী মহৈরোয় কয়াদা চাউনা কান্নবা পীদুনা লাক্লি। য়ুনেস্কোনসু ৱার্ল্ডগী খ্বাইদগী চাওবা অৱাংবা থাক্কী ইন্সটিট্যুটনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

দিষ্টেন্স এন্দ ওপন এডুকেসন সিষ্টেমদা হেন্না মহয় তঙ্গী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি। কুমজা ২০১৭–১৮দা চাউরাক্না মহৈরোয় লাক্ষ ১০,৭২,০০০ রোম এডমিসন তৌদুনা মশীং য়াম্বা ওইরি। অসিগুম্লবা মহৈরোয় য়াম্না তম্লিবা য়ুনিভর্সিটি অসিদা ভোকেস্নেল অমদি স্কিল দেভলপমেন্টকী ওইবা করিক্যুলম কয়া হাপচিন্দুনা হ্যুমেন রিছোর্সনচিংবা হেনগৎহন্নবা হোৎনবা মথৌ তারি। ইগনৌ রিজনেল সেন্টর অমা ওইরিবা কেন্দ্রয়া ভিদ্যলয় সঙ্গঠনদা পুন্না মীওই ২৪,০০০ টিচর ট্রেনিং পীবতা নত্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী ওইনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা পুন্না ওঝা ৩৬,০০০ রোম ট্রেনিং পীরি তাবদা থম্মোয়দা হরাউবা ফাওই। অসিদা নত্তনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা লৈবাক অসিগী জেলদা লৈবা মীওইশিংবু ফ্রি এডুকেসনগী খুদোংচাবা পীবসি য়াম্না ফৈ হায়খি।

য়ুনিভর্সিটি অসিদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট অমদি দিপ্লোমা লোইরবা মহৈরোয়শিংনা তুংগী পূন্সিদা মতিক চাবা ওইরক্নবা য়াইফ থৌজাল কয়াসু পীখি। লোয়ননা মখোয়না তম্লক্লিবা মহৈ–লৌশিং অদুনা লৈবাক অসিগী অফবা হিরম কয়াদা শীজিন্নদুনা থবক তৌরক্নবা অপিলসু তৌখি।

৩২শুবা কনভোকেসন অদুদা ইগনৌ রিজনেল সেন্টর,ইম্ফালদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট অমদি দিপ্লোমা লোইরবা মহৈরোই ১৬৯৪দা সার্টিফিকেটশিং খূৎশিন্নখি।

# পুং ৪৮গী মণিপুর টোটেল সটদাউন তৌগদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক চন্দ্রখোঙদগী মশাগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবী লৈশাবী মচা অমবু মহাক্না নুংশিনবনি হায়বা নুপানা ফোনদা কৌথোকখিবদা শিনা ফঙখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং মীয়াম খঙনা শিবগী চৈরাক পীয়ু হায়না মীয়াম্না খোঙচৎ অমা চত্তুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমসু চন্দ্রখোম লাইবুং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্তুনা এপ্রিল ৯দগী ১০ ফাওবা পুং ৪৮গী মণিপুর পুম্নগী টোটেল সটদাউন তৌবা য়াওনা ৱারেপ কয়াসু লৌখ্রে।

মীশিংগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সি না শীন্দুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিং অমদি চন্দ্রখোঙ খুলগী অকোইবদা লৈবা কম্যুনিটি কয়াসু শরুক য়াদুনা চৎখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু চন্দ্রখোঙ খুলদগী হৌরগা ময়াই কৈথেল ফাওবা চত্তুনা মফম অদুদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীপম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনখি। তুংদা খোঙচৎ অদু চন্দ্রখোঙ লাইবুং কম্যুনিটি হোল ফাওবা লাক্তুনা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখি।

খোঙচৎ অদুদা অুস্বা ৱায়েল তৌবীয়ু, মীহাৎপা চৈরাক পীয়ু, রেপিষ্টশিং বেলদা থাদোকপা য়ারোই, নুপী–অঙাং কল্লু, ইক্বরি কম্মিটি শেমবীয়ু, ঐখোয় অুস্বা ৱায়েল পাম্মী, মীহাৎপা চেন্নবশিং ফাষ্ট ট্রেকিং কোর্টতা শিন্নবীয়ু, ক্রিমিনেলশিংদা মীনুংশি থম্বীগনু হায়বা প্লেকার্দশিং শিজিন্নখিবগা লোয়ননা খোল্লাওশিংসু লাওখি।

জে এ সি গী কো–কনভেনর কেঐচ ধনাবিরনা ফোঙদোরকখিবদা, মণিপুরদা নুপী অঙাংদা মীওৎ মীনৈ চংখদুনা অমদি নুপী ওইবী কয়াগী ইকাইখুম্নবা মাংহনবীরবা মতুংদা মীনুংশি লৈতনা হাৎতোকপীবগী থৌদোক অসি অমুক হন্না লমদম অসিদা থোক্তনবা মীহাৎ অসিদা চেন্নবশিং মীয়াম খঙনা শিবগী চৈরাক পীয়ু হায়দুনা মীহাৎ অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎপনি অমদি মীফম পাঙথোকপনি হায়খি।

ঙসিগী মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ খরাসু লৌরে। ৱারেপশিং অদুদি, মীহাৎপসি অসাকুম্মার মতোন্তনা হাৎপনি হায়বসি থাজবা ঙমদে। অদুনা হায় কোর্টকী জজ অমনা চিয়রপর্সন ওইরগা থবক্তগী পোত্থরবা আই পি এস ওফিসর অমা অমসুং সেনিয়র নুপী এদভোকেট অমগনা মেম্বর ওইবা ইন্দিপেন্দেন্ট ইক্বরি কম্মিসন অমা শেমদুনা খুমহেৎম রবিচন্দ্র অমসুং কে ঐচ জয়চন্দ্র য়াওনা চিংনবা খুদিংমক্কী মথক্তা থিজিনবীয়ু, পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট জে এ সি অমদি ইমুং–মনুংদা এপ্রিল ৮ ফাওবগী মনুংদা ফঙহনগদবনি। কেস অসি ফাষ্ট ট্রেক কোর্টতা শিন্নদুনা মরাল লৈরবশিং লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফঙহনগদবনি অমদি মথক্কী ৱারেপ অসি এপ্রিল ৮ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থবক্তা ওন্থোক্তুনা ফঙহনদ্রবদি মথংগী নুমিৎ তাং ৯দগী হৌরগা তাং ১০ ফাওবা মণিপুর পুম্নগী পুং ৪৮গী টোটেল সটদাউনগী খোঙজং চঙশিনবা হায়বশিংসিনি হায়রি।

ঙসিগী মীফম অদুদা ৱিন্দো ফোরম ফোর কনফ্লিক্ট মণিপুরগী কনভেনর কে গাঙ্গারানি, ৱুমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্টকী সেক্রেটরী সোবিতা মংশাতাবম, খ্বাইরম্বম কৈথেল লম্পী মতাইদা পোৎফম ফম্বী লূপকী প্রসিদেন্ট এন বিনা দেবী, ৱাটচ গ্রুপ খাংগবোক্কী এল থম্বালমানি অমসুং জোইন্ট কম্মিটি ওন পিপস ৱেলফিয়র য়াইরিপোক্কী প্রসিদেন্ট এম ইবোতোম্বী খুমন য়াওনা মীওই কয়ানা ৱাঙাংলোইশিং ওইনা ৱা ঙাংদুনা চহী নৌরিবী নুপী মচা অমবু হাৎতোকখিবা থৌদোক অদুবু য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি।

# মহৈ তম্ফমশঙশিংগী মিটর ১০০গী অকোয়বদা মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়োনবা থিংনবা মীৎয়েং চঙলগনিঃ জে এস সি সি

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩(এস এন এস) ঃ

লন্নাইগী অমদি লৈঙাক্কী ওইনা চল্লাইরিবা লমদম অসিগী য়ুনিভর্সিটি ফাওবগী থাক্তা লৈরিবা মহৈতম্ফমশঙশিংদা মিটর ১০০গী অকোয়বদা মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়োনবা থিংনবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কো–ওর্দিনেটিং কম্মিটি (জে এস সি সি)না ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অসিগী মহৈরোয়লূপ অমা ওইরিবা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু),মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ),কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ) অমসুং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) কী অপুনবা বোডি অমা ওইরিবা জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কো–ওর্দিনেটিং কম্মিটিগা ঙসি এমসুগী হেদ ওফিস্তা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা কম্মিটি অসিগী কনভেনর মঞ্জিৎ সরাংথেমনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, লৈবাক অমা অওনবা পুরকপদা মহৈরোয় খুন্নাইগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মণিপুরদা তোঙান–তোঙানবা ইশুশিং থেংনবা হোৎনরিঙৈদা লমদম অসিগী নহাশিং স্কিল দিভলপ তৌনবা এডুকেসনগী মঙাল অমদি হৌরক্লিবা নহাশিংদা ফঙবা ৱাৎলি। অদুবু মপুং ওইনা জে এস সি সিনা কুপ্না তান্নরগা মহৈরোয় খুন্নাইনা য়ুঠ ফোর্স অমা ওইনা অখন্নবা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা হান্নদগীসু লাউথোক্তুনা লাকপা মহৈতম্ফমশঙশিংদা মিটর ১০০গী অকোয়বদা মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়োনবা থিংনবা অমদি শীজিন্নবা থিংনবা দ্রাইভ চথবা হৌরগনি। লায়ননা হায়স্কুলগী থাক্তা লৈরিবা মহৈতম্ফমশঙশিংদা তম্লিবা মহৈরোইশিংনা মরু ওইনা নুপীমচাশিংনা ক্লাস আইট ফাওবা স্কর্ট অমদি ক্লাস নাইনদগী টেন ফাওবনা ফনেক শেৎপসি ঙাক্না চৎপিয়ু। মহৈ তম্বীবগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ওঝাশিংনসু মহৈরোইশিংবু ৱাখল থৈদোকহনবা য়াবা ফিজেৎ নত্তবী য়ুনিফোর্মিটি অমা নাইনা খুন্নাই অসিগী মৈহৌরোলগা চুনবা ফিজেৎ শেৎপিয়ু। মহৈরোই খুন্নাই অসিনা য়ুঠ ফোর্স অমা ওইনা চঙশিনগদৌরিবা খোঙথাং অসিদা লমদম অসিদা হেন্না ফবা মহৈ কাঙলোন অমা লৈনবা স্কিল দিভলপ তৌবা য়াবা মহৈ কাঙলোন অমা লৈনবা পান্দমদা চঙশিনগনি হায়খি।

# দ্রগ লল্লোনবা লুখোৎসে থাদোক্লবা বি জে পিনা...

*লমায় ১গী মখা*

শিন্নদ্রিবনো হায়খি। কেস অসি সি বি আইদা শিন্নিবগী মহুত্তা বেলদা থাদোকখ্রে। কেস অসিদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা পানলিবা কেস অসি নন বেলেবলনি। করিগুম্বা থা ৬ কী মনুংদা বেল থারক্তবা তারবদি বেল লৌখিবা য়াবগী অয়াবা লৈ।

থা ৬ অসিগী মনুংদা নাবনা চার্জ সিট থাগৎলক্কে। লোয়ননা চার্জ সিটকী ফাইল অদু এন দি পি এস কোর্টতা এন্ট্রি তৌরিঙৈদা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং অম্বাগী প্রসিদেন্ট চন্দ্রজিৎ শর্ম্মা লাক্লগা চার্জসিট অদু থাজিনবীখিনু, শেমদোক শেমজিন খরা তৌখিগে হায়বসি স্পিসিয়েল জজনা মদু ফোঙদোরকখ্রে।

মসিদা এস পি অমসুং অম্বাগী প্রসিদেন্ট সেনিয়ার এদভোকেটকী করি মথৌ লৈবগে হংখি। চীন্দনা ৱার ওন দ্রগ হায়না লাওরগা দ্রগ লোদ লোদতা ফাবনা বেলদা থাদোক্লবদি লৈবাক অসি করম্না তৌগনি। বি জে পিনা লৈতোল শরু পান্দে মতাগুম্না পঙাঙ ঙাংবীগনু হায়খি।

বি জে পিনা য়ামথোং হাউকিপকী কেস অমা রিফরেন্স তৌরিবা অদু কেস অদু সি বি আইনা পায়–খৎপনি। বেল পীবা পীদবা সি বি আইগী মথৌনি হায়খি। মসিদি ষ্টেট লৈঙাক্কী শরুক ওইদ্রে হায়খি।

লুখোৎসৈগী কেস অসিদদি চার্জসিট অদু থেংথহন্নবা প্রেসর পীরকপদগী দিলে তৌখিবনি হায়না স্পিসিয়েল জজ অমনা হায়রক্লবা অসিদা করি হায়গদৌরিবনো। লৈঙাক্কী প্রেসরনা জুদিসিয়েলগী মথৌ তৌহন্দ্রে হায়বনি কোংগ্রেসনা হায়বদি।

লৈবাক অসি মাঙবা তারে , লৈঙাক্না মীয়ামগী খনবা ওইবরদি দ্রগ লোদ লোদতা ফারগা বেলদা থাদোকপীগনু হায়বনি হায়খি।

লৈঙাক অসিনা ইলেক্সন ময়াদা নন্দো থাদোকখ্রে। বি জে পিগী ভোট অসি নন্দোবু খোমহনগদৌরিব্রা, বি জে পিনা লুখোৎসে জৌ থাদোকখ্রে। লুনিংলা ইলিজাবেঠ হাৎপগী কেসতা লৈবাক অসিদা য়াম্না ৱানা সি এস ওশিংনা লাওখিবা খোল্লাউ তারগা কোংগ্রেস লৈঙাক্না নন্দো ফাখিবনি।

মহাক্কী কষ্টদিদা দিমান্দ লেটর লৈরম্বা লৈঙাক্না করিগী খঙশিন্নদবনো, মহাকপু কনানা শেন্নে। জেলদগী মোবাইল পায়রগা দিমান্দ লেটর থারম্বা অসি করিগী লৈঙাক্না খঙদে।

অমরোমদা এম দি মঞ্জুরবু করিগী হাৎলিবনো। মীবু হাৎতোক্লগা সি বি আইদা কেস শিন্নিগে হায়রগা মঞ্জুর হনলকখিগদ্রা হায়খি। সসপেন্দা লৈরিবা মী অমবু কৌখৎলগা ফুবদা মী অমবু শিহল্লে। মঞ্জুর শিরিবা অসি বি জে পিনা সি বি আইদা থিজিনহনবগী মহুত্তা হাৎপদুদা চেন্নরিবা মীওই অদুগা লোয়ননা নন্দো নাম্থোকহনখিবদা চেন্নরিবা ওফিসারশিং অদু তর্মিনেট তৌগদবনি হায়খি।

দ্রগ লল্লোনবনা থাদোকপা অদুগা কিশোরচান্দ ৱাংখেমবুনা এন এস এ পানশিল্লগা ফাজিন্দুনা থম্লি। য়ামথোং হাউকিপগী কেস অদু লুখোৎসে জৌগী কেসনা লম্বা তৌদুনা বি জে পিগী ৱাঙাঙলোয়ননা ফোঙদোরকখিবা অসি লাইবক থিবনি। মরম অসিনা কিশোরচান্দগী এন এস এ অথুবদা ককথৎপীয়ু হায়খি।

# কষ্টদিয়েল দেঠ–মীয়াম্না কোর্টতা ঈরাং...

*লমায় ১গী মখা*

লোয়ননা দিমান্দ কয়া তৌদুনা অশিবা মশা লৌদনা লাকখিবা অদু লৈঙাক্না য়ান্নবা পুরকপদগী হয়েং অয়ুক লৌরগনি হায়রি।

হিরমসিগা মরী লৈননা নিয়ু চেকোন রোদ হত্তদা লৈবা ওরিয়েন্ট কোচিং ইনষ্টিট্যুটকী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কো–ওর্দিনেটিং কম্মিটি (অম্মোকোক)কী প্রসিদেন্ট এস এম জলালনা হায়, এস এম মনজুরগী মীহাৎকা মরী লৈননা থমখিবা দিমান্দশিং লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়বগী থাজবা পিরক্লে।

মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সি অমদি অতৈ সি এস ও কয়াগী মীহুৎশিং য়াওরগা ঙরাং নুমীদাং অথেংবদা চিফ মিনিষ্টরগী বঙল্লোদা চিফ মিনিষ্টর মশামক্না উন্নদুনা ৱারি শান্নবদা থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়বগী থাজবা পিরক্লবা মপুং ওইবা দিমান্দ অনি অদুদি মীহাৎ অসিগী মতাংদা রিগুলর এফ আই আর লৌখৎলু অমদি কেস অসি সেন্ট্রেলগী ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অমদা শিন্নরগা নিয়ম চুম্নবা থিগৎহল্লু হায়বসিনি।

থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়বগী থজবা অদু পিরক্লবনিনা এস এম মনজুরগী অশিবা হকচাং হয়েং অয়ুক লৌরগা মহাক্কী পোক্লফম লমদম য়াইরিপোক্তা পুরগা অরোইবা মথৌ–মঙমগী থৌরম পাঙথোক্লগনি। থৌরমদুদা লমদমসিগী সি ওশিংনা শরুক য়াবিয়ু হায়না এস এম জলালনা মখা তানা হায়খি।

# মণিপুর চাউখৎহনবদা বি জে পিনা মীৎয়েং চঙলি ...

*লমায় ১গী মখা*

হায়না হংখি। ইন্দিয়ানা নীং তম্নবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর কয়া লৈখ্রে। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী থবক খুৎতৌ, ৱাখল্লোল না অতৈদগী খরা তোপ–তোপ্পী। য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী ৱাইট হাউসতা মহাক্না ৱা ঙাংলিঙৈদা তিল্লিবা শক্নাইরবা মীওইশিংনা কয়ারক হন্না হোগৎতুনা মহাকপু থাগৎনখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙাংবদা তাদবা মালেমগী লৈবাক লৈশিল্লক্ত্রে। য়ুনাইটেদ নেসনগী জেনরেল এসেমব্লিদা মহাক্না য়োগা শান্নবগী কান্নবা ৱাফম থমখিবগা লোয়ননা জুন ২১বু ইন্টরনেস্নেল য়োগা দে ওইহনসি হায়না পুখৎখিবা ৱাফম য়াবিবগা লোয়ননা নুমিৎ অসিবু কুমজা২০১৪দগী ইন্টরনেস্নেল য়োগা দে হায়না লাউথোকখিবনি।

অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙাংবা ৱা মালেমগী লৈবাকশিংনা তাবিরে হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদমনি হায়–খবগা লোয়ননা মহাক্কী মমা লৈবাকপু নুংশিজবগী ৱাখল্লোল অমদি লৌ–খৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অদুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামনা মালেমগী মফম কয়াদা চৎপদা কোক ৱাংনা থাংগৎনা চৎনবা ঙমহল্লে। মসি মহাক্কী মতিক–মথৌনা অদুনানি। নরেন্দ্র মোদি মালেমগী অফাওবা লুচিংবা অমা ওইরে হায়বদা অরানবা করিশু নত্তে।

য়ু পি এ গভর্ণমেন্টকী মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা ডা. মনমোহন সিংহবু মীয়াম্না অফবা ইকোনোমিক্স অমনি হায়নবা লৈ। অদুবু মহাক্কী মতমদা গুদস এন্দ সর্ভিস টেক্স চৎনহন্নবা হোৎনবদা ঙমখিদে। মনমোহননা চৎনহনবা ঙম্লমদবা জি এস টি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চৎনহনবা ঙমখি। মসি লৈবাক অসিগী টেক্স রিজাইমদা অচৌবা অওনবা অমনি। ইন্দিয়া অসি হৌজিক্কী ইকোনোমিগী লমদা খুমাঙ চাওশিন্না চঙশিল্লিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা চলহনবা ঙম্লে হায়খি।

জৱাহরলাল নেহরু, অটল বিহারি বাজপাই গী মতমদা লৈবাক অসিবু সুপর পৱার ওইহন্নবা কন্না হোৎনরম্মী। অতল বিহারি ভাজপাইগী মতমদা পোখ্রামদা নুক্লিয়র টেষ্ট তৌখিবা অদুনা মালেমদা লৈবাক অসিগী নুক্লিয়র পৱার অহানবা ওইনা উথোকখি। মতাং শ্বাইদা পার্টি অসিগী নেসননা অহানবা, পার্টিনা অনীশুবা অদুনা ইশনা অকোনবা হায়বা ৱাখল্লোল অদু শেংনা মমি তাই। মদুগী মতুংদা, চহী অসিগী মার্চ ২৭তা মাই পাক্ন পাঙথোকখ্রবা মিসন শক্তিনা ইন্দিয়া অসি স্পেসকী সুপর পৱার ওইবা লৈবাক অমা ওইরে হায়বদুসু উথোক্লে।

মথং..মথং...

# প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ বোইকোট তৌগনি...

*লমায় ১গী মখা*

হায়রি। মখোয়বু চেলহনখিবদা লৈঙাক্কী ওইনা করি তোংজবা লৈবগে হায়বসি মীয়াম্না শোয়দনা নৈনবদা কান্নগনি। অহানবদা দ্রগস কিং–পিন অসি চান্দেলদগীনি। চেন্দেল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ অনী তাবা মরমনা বি জে পিগী কেন্দিদেট অসিনা অতোপ্পা ফুরুপ অমগী ভোট য়াম্না চাওনা মথৌ তাই। মরম অসিনা এ দি সি মেম্বর ওইনা কারকখিবা লুখোৎসে জৌ গী মতেং পাংবা হায়বসি চীফ মিনিষ্টরগী ওইনা য়াম্নমক তঙাইফদবা ওইরি।

মরম অদুনা সি এম মশামক্না সেনিয়র এদভোকেট অমবু ফোন তৌদুনা তৌরগা আই পি এস ওফিসর অমগা লোয়ননা কোর্টতা চত্তুনা অকন্নবা প্রেসর পীখিবগী ৱাফম লৈরে। মসিনা মরম ওইদুনা ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসন (অমবা) গী পুৱারীদা অহানবা ওইনা প্রসিদেন্ট ফম থাদোকপগী ৱাথোক লাক্লে। মসিদা নত্তে মিনিষ্টর কয়ানা বেল পিহন্নবা ৱানোমবগী ৱাথোক লৈরে অমদি পূম্নমক অসি কেস মখা চত্থরকপদা করম করম্বা মিনিষ্টরনা কনা–কনাদা ফোন তৌদুনা বেল পি–খনবা প্রেসর তৌখিবগে হায়বদুসু খঙলকখিগনি। করিগীদমক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা চান্দেলগী বি জে পি মীরেপ ওইখিবী অসিগীদমক য়াম্না ৱানা হোৎনরিবনো হায়বদুদি মীয়াম্না মখা তানা কুপ্পা থিগৎলগা খঙবীবা ঙমগনি। অতোপ্পা মায়কৈ অমদা টিঐচ নন্দো থাদোকপগী মরুওইবা মরমদি হৌখিবা চহী কয়া অসিদা মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট লানহৌ হায়রগদি মীয়াম্না য়াম্না হৈনদবা মীৎয়েং অমদা য়েংদুনা লাক্লি। মসি ইন্দিয়ানা চত্থবা প্রোক্সি ৱারগী শরুক অমনা নমদুনা ওইহনবনি।

লোয়ননা য়াওল লানহৌদসু ময়ানা মশক থিহনদুনা লাকখিবনি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা পোলিটিকেল ওইবা ফিভম অমদগী কম্যুনিষ্ট লানহৌবু মীয়ামদা হৌহনদুনা নৌনা লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোনদা য়ুম্নফম ওইবা নিংতম য়াওল লালহৌ অমা শাগৎপা ঙমলক্লি। হৌজিক অমুক হন্না কম্যুনিষ্ট লানহৌবু মশক থিহন্নবা অমদি য়াওল লালহৌবু মশক থিহন্নবা পান্থৈ অমা ওইনা রেপিষ্ট টিঐচ নন্দোবু অতম্ননা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা প্রোক্সি ৱাগী শরুক অমা ওইনা থাদোক্লক্লিবনি। থৌওংশিং অসি মণিপুর মীয়ামগী পূন্সিদা অচৌবা শিংনবা অমনি। লৈঙাক্না চিনদনা ৱার ওন দ্রগস হায়দুনা লাওরবসু দ্রগসকী কিং–পিন ওইবা মীওই মীওই অমবুদি লৈঙাক্না চেলহনখ্রে। ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা রেপিষ্ট অমদি দ্রগস লল্লোনববু শৌগৎপা থৌওং হায়বদি রেপিষ্ট টিঐচ নন্দো অমদি দ্রগস কিং–পিন লৈখোৎসে জৌ অনীবু অতম্ননা লৌতুনদুনা চেলহনখিবা থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি থা অসিগী ৭তা

মথং... মথং...

# নোর্থ ইষ্টকী কম্মন ইশুশিং থেংননবা অপুনবা ফোরম শেমখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩(এস এন এস) ঃ

থা অসিগী ১দগী ৩ ফাওবা মণিপুর পীপলস এগেনষ্ট সি এ বি ২০১৬(মেনপেক)না হোষ্ট তৌদুনা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট পীপলস কনফরেন্স–২০১৯দা কনফরেন্স অসিদা শরুক য়াখিবা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদগী লাকপা সি এস ওশিংনা অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা অৱাং নোংপোক মীয়াম্না থেংনরিবা কম্মন ইশুশিং অসি থেংননবগীদমক 'নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্দিজেনস পীপল' হায়বা অপুনবা ফোরম অমা শেমখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা মেনপেক অমসুং অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী সি এস ওশিংগী সি এস ও মীহুৎশিংগা ঙসি ইম্ফালগী কোনুং মমাঙদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মেনপেককী কনভেনর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা হায়খি,মেনপেনা সি এ বিগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী লোইশিল্লকপদা রিভিয়ু মীটিং অমা পাঙথোক্লখি। রিভিয়ু মীটিং অদুদা সি এ বিগী মায়োক্তা মেনপেক খক্তনা খোঙজং চঙশিনবগী মহুৎতা এন ইগী ষ্টেটশিংদা লৈবা ৱাখল্লোন মান্নবা সি এস ওশিংগা পুন্না ফিদা অমা শেমদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা ঙমগনি হায়না ৱারেপ লৌখি।

ৱারেপ অদুবু থবক্তা ওন্থোকপা ওইনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী সি এ বিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌ–খবা লূপশিং উন্নখি। লোয়ননা লূপশিং অসিনা শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১দগী ৩ ফাওবা নোর্থ ইষ্ট পীপলস কনফরেন্স ২০১৯ হায়দুনা মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে।

হায়রিবা কনফরেন্স অসিদা মপুং ওইনা নৈনখিবা এজেন্দাশিংগী মনুংদা তোঙান–তোঙানবা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী লাকপা দেলিগেটশিংনা সি এ বি অসি কৈদৌনুংদা চৎনহন্দনবা অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোক্লখি। লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্না অৱাং নোংপোক মীয়ামদা য়েংলিবা হন্থবা মীৎয়েং অসিবু থেংননবা অপুনবা প্লেটফোর্ম অমা শেম্বা মথৌ তাই হায়বসি দেলিগেটশিংনা ফোঙদোক্লখি হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়খিবদা,সি এ বিনা য়েলহৌমীশিংদা পীগদবা চৈথেং য়েংদুনা বিল অসি চৎনবা য়ারোই হায়বসি হান্নদগীসু ৱারেপ লৌদুনা লৈরিবনি। ৱারেপ অসি হেন্না কনশিন্নবা সি এ বি অসি ইন্দিয়াগী লৈমায়দা লৈবা শুংয়া য়ারোই হায়বসি দেলিগেটশিংনা থম্নখি। লোয়ননা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসন অসি চপ–মান্নবা ইশু ওইনা থেংনরি। অদুনা হায়রিবা হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসন অসিবুসু চপ–মান্ননা থেংনমিন্নবগী ৱাফমশিং থম্নখি অমসুং অৱাং নোংপোকশিংদা মখল অমত্তগী মীতোপ পুশিল্লক্লবা হোৎনরকপদা চপ–মান্ননা থেংনমিন্নবা হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লখি।

# এম পি পি কন্নবা খূৎ থাবা হৌরেঃ মাওইষ্ট

ঙরাংগী মখা...

মাওইষ্টনা লৌরিবা ৱারেপপূ মীয়ামদা লান্না উহন্নবা থৌওং অমুক চত্থবদি কন্দাইদনো হায়না য়েংবা য়াই। অদুবু অনীরক হন্না প্রেস কনফরেন্স ফমদুনা মেডিয়াদা শীংনরক্লগদি লূপ অসিনা কৈদৌনুংদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। মখা তানা মাওইষ্টতা লাঞ্জখিবা অদুগীদমক মশানা মরাল য়াজদবা থোক্লগদি মতুং তারকপদা থোক্লকপা পামদবা থৌদোকশিং মশানা হরাউনা থেংনজগদবনি। এম পি পিগী মায়খুম উম্পশিং মাওইষ্টনা অহকপা চৈরা পীনবা মশক খঙদোকপা লোইরে।

মরাল লৈরে হায়না লৌরবশিং অসি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রদগী মীওই অনী,খুরাই মায়কৈদগী মীওই অনী,কোংপাল খাইদেম লৈকাইদগী মীওই অমা,উরিপোক্তগী মীওই অমা,হৈরোক্তগী মীওই অমা লোয়ননা হৌজিক এম পি পিগী ওফিস্তা লৈবা লুচিংবা মীওই মরিনি। লূপ অসিনা এম পি পিগী মায়খুম উম্পা খুদিংমক চয়োল অমগী মতম অরোইবা ওইনা পীরি।

করিগুম্বা চয়োল অসিগী মনুংদা মশানা খঙনা মাওইষ্টকী মায়োক্তা লেপ্পুবগী মরাল য়াজদবা থোক্লগদি লূপ অসিনা মখোয়শিং অদু কৈদৌঙৈদা ঙাকপীবা তৌররোই। মতাং অমদি মতম চাবদা অহকপা চৈরাক শোয়দনা পীরগনি। মাওইষ্টনা রিজনেলিজমগী ওইবা ৱাখল্লোলন শন্দোক্লিবশিংদা মপুং ফানা অঙম্বা মতেং পাঙগনি তৌইগুম্বসু রিজনেলিজমগী ফিজং মরুমদা অরানবা থবক্তি তৌরোইদবনি। হৌখিবা কয়াদা এম পি পিগী অকা–অকুমগী ফিভম চোংথোক–চোংশিনগী ফিভমশিং য়াওনা ওজা অকাবা লৈখিদবদা অমদি মতুংদা ওইখিবা ফিভমশিং লূপ অসিনা ময়েং শেংনা খঙলে। হৌজিক মখা তানা মাওইষ্টনা য়েংশিল্লবা মতুংদগীদি হৌখিবদা শোয়খিবশিং অদু অমুক হঞ্জিন্না শোয়হল্লরোই হায়রি।

লনাই মীওইশিংদা য়েংলগা পোলিটিক্স তৌবগী মহুৎতা ওর্গনাইজেসনগী মপাঙ্গল কনখৎলগা পেট্রিওটিক ফোর্স অমা ওইনবা শেমগৎপদা এম পি পি অমদি রিজনেল পার্টি খুদিংমক্না মীৎয়েং থমগদবনি। নেসনেল পার্টিদা টিকেৎ ফঙদবদগী ঙাইহাক–ঙাইহাক্কী শাথুফম মখা তানা রিজনেল পার্টি অমত্তদা ওইহল্লোইদবনি। অদুগুম্বা রিজনেল পার্টিশিং অদু রিজনেলিজম লল্লোনবা কাঙবুনি হায়না লূপ অসিনা লৌগনি অমদি মখোয়বু খুন্নাই অসিদা মখোয়গী খোঙ্গুল তাহল্লোই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদগী শিল্লোংগী অঙাং ...

*লমায় ১গী মখা*

য়ারোই হায়বা স্কিম কয়া পায়–খৎলি। কোংগ্রেসকী মতমদা চত্থরম্বা শাশিন্নবা খুৎ থোক্লবদা হাৎখিবা কয়াগী কেস ১৫০০গী মথক্তা মাঙদা তাদুনা লৈরি। কোংগ্রেসনা চীং অমসুং তমদা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি তৌদুনা খাইবোক তান্নহন্নবা হোৎনরিবনি।

ঙসিদি চীংনা ঐখোয় মণিপুর হায়বা ৱাহৈ হৌজিক্তি শিজিন্নরবনি। মসি অনৌবা লৈঙাক অসিগী সবকা সাঠ সবকা বিকাসকী ৱাখল্লোন অদুগী মখাদা থোঙ মান্ননা চাউখৎমিন্নবনি।

মহাক্না হায়, কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক্তা লাক্লবদি আফসপা রিভিয়ু তৌনবা খন্নগনি হায়রকপা অঙকপা ফাওই। হাৎপা য়াবা হাৎখ্রে, ফাবা য়াবা ফাখ্রে মখোয়না আফসপা থমজিল্লম্বা অদু রিভিয়ু তৌগনি হায়রি। মখোয়দি চহী ৩০–৪০ লৈঙাক চুপ্লি পায়বগী মমি উদ্রি হায়খি। ইন্দিয়াদা কোংগ্রেস হনলকপা ঙমখিরোই।

বি জে পিদি লায়বা লৈহল্লোই, মস্লিম মৈতৈ ময়াং হায়বা লৈরোই। মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং পুম্নমক অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবনা পান্দম থম্লি। এম এল এ মশীং হেন্না লৈবনা বি জে পিনা ভোট কাবা হায়বসি শোয়দ্রবনি।

হৌজিক কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা অনৌবা কয়া লেপ্পনা চংলক্লি। কোংগ্রেসকী কাঙলুপ নাইবা থৌশিল মীয়াম্না পাম্নরক্ত্রে, মীয়াম ৱাখল তারে হায়খি। বন্দ ব্লোকেদ লৈতবা, ষ্ট্রাইক লৈতবা, অহিং ফাওবা কৈথেল হাংবা মণিপুর অমদি উবা ফংলে হায়খি।

ইন্নরগী মীরেপ ডা. আর কে রঞ্জননা হায়, মণিপুর অসি চীংনা কোয়শিনবা চখোক চৎশিন্দা খুদোং চাদবা মফমনি। কুম ২০১৯ দা নরেন্দ্র মোদি প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা শোয়দনা লাক্কনি অমসুং করিগুম্বা মীয়াম্না থৌদা শিন্নবিরবদি এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মখাদা লমদম অসি লেন্দ লিঙ্ক ষ্টেট ওইহন্নবা হোৎনগনি।

মসিনা খা নোংপোক এসিয়াদা লৈরিবা শক মান্নবা মীওই কয়া অসিগী চাউখৎ থৌরাং অমসুং ললোন ইতিক্কী সেন্টর অমা ওইগদৌরিবনি। লোয়ননা মসিদা ইকনমিক হব অমা শেন্নগা লমদম অসিগী নহা কয়াদা অনৌবা ৱাখল্লোন অমা পীদুনা থবক ফংদ্রিবা নহা কয়া থবক পীনবা হোৎনগনি।

মণিপুর অসি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফবা সেন্টর ওইরমি–খ। মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর কয়া দি এম কলেজদা মহৈ মশীংগী মঙাল ফংখিবনি। ঙসিদি মণিপুরগী এদুকেসনগী ফিভম করম্বা থাক্তা লৈরিবগে, মসি কনানা মাঙহল্লম্বনো হায়বদু বি জে পিনা নৈনবগা লোয়ননা অফবা ৱার্ল্ড ক্লাসকী ইন্সটিট্যুসনশিং লিংখৎলগা হোঙলক্লিবা খোঙজেল অসিদা শরুক য়াবা ঙম্বা নহা পুথোক্লবা চংশিনগনি।

মণিপুরদগী এম পি সিট অনিখক্তনি। করিগুম্বা মীখল অসিদা মায় পাকহল্লবদি বি জে পিগী এমপিশীংগী মনুংদা চনগদৌরিবনি। য়েলহৌমী কনবা নাৎ কনবা, স্পোর্ট, কলচর পুম্নমক অসি কন্নবা হোৎনবদা চপ চানা থৌদাং লৌগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর কে শ্যাম, টি ঐচ বিশ্বজিৎ, বি জে পিগী এম এল এশিং, বি জে পিগা লোয়ননা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইরিবা ঐচ সোখোপাউ মাটেগী ককচিং নিংথৌ লৈকাইদা পাঙথোকপা মীখলগী কেম্পেইন মীফমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, ভোট থাদবদি য়ারগা ভোট লেপ্পদি য়াদনা লৈবিরা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা য়াওরিবা তম্পাক্কী কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮দা লৈরিবা ইলেক্টরশিংনা মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মণিপুর কন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবা অদু থাগৎলি। মীয়ামগী তৌবিমল অদু খঙনা এম পি, এম এল এশিংনা তৌফম থোকপা অদু পাঙথোকহন্নবা চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা মহাক্না মীৎয়েং থমগনি হায়খি।

মহাক্না হায়, কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮ অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না হৌখিবা চহী ৪০ অসি ভোট থাদরমদ্রবদি করি ওইরমগনি। মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরিবা ফোর্সশিংদা মণিপুর চৎলম্বা য়ারিবনি। নাগা কুকি, মৈতৈ, মৈতৈ পাঙলগী খেন্নবা থমদনা মণিপুর কায়হন্দনবা ঙসি ফাওবা থল্লকখিবনি হায়খি।

# মীখলদা শীজিন্নবা শেল ফানবা দ্রাইব চত্থবা...

*লমায় ১গী মখা*

হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শীরি। বি জে পিনা নোর্থ ইষ্টতা শেলগী মতিক–ময়াই শীজিন্নদুনা ভোটরশিং ফাননবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখি।

নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদগী ফাগৎলকপশিংগী মনুংদা শেল ওইনা লুপা ক্রোর ০.১০ য়াওরি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা অৱাং নোংপোক লমদমদগী শেল ওইনা ফাগৎখিবগী চাং অসি লুপা ক্রোর ৯.৯৭ য়ৌরে। অদুগা ইন্দিয়া পুম্বদগী ফাগৎখিবা শেনফম্না লুপা ক্রোর ৩৪০.৭৫ য়ৌরে।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোরকপা 'প্রোগ্রেসিভ সিজর রিপোর্ট'কী মতুং ইন্না অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না পৈশা ফাগৎপা ষ্টেট অসামনা ওইরি। অসামদগী ফাগৎলিবা শেনফম অসি লুপা ক্রোর ৫.০৯নি। মথংদা অরুনাচল প্রদেশতগী লুপা ক্রোর ৩.৬১ ফাগৎতুনা অনীশুবদা লৈরি। অতৈ ষ্টেটশিংদগী ফাগৎ–খবা শেনফম্না নাগালেন্দদগী লুপা ক্রোর ০.৭২,মেঘলয়াদগী লুপা ক্রোর ০.২৭,ত্রিপুরাদগী লুপা ক্রোর ০.১৮, মণিপুরদগী লুপা ক্রোর ০.১০ অমদি সিক্কিমদগী লুপা ক্রোর ০.০০১নি। অদুম ওইনমক মিজোরামদগীদি লুপা অমফাওবা ফাগৎত্রি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমদা কেন্দিদেট অমনা শীজিন্নবা য়াবা শেনফম অসি লুপা লাক্ষ ৭০দা লেপ্পিবনি। ইলেক্সন অসি নীংতম্না অমদি মওং চুম্না পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক্তা সার্ভিলেন্স টিম অমদি ফ্লাইঠ স্কাদ কয়া থাদোক্তুনা শেল অমদি পোৎলমশিং কোইপু পুবশিং কুপশেল শেন্নদুনা লৈরিবনি।

হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা অসামদগী লুপা লাক্ষ ৫৫গী মমল ওইগদবা য়ু লিটর লিশিং ৮৮,ময়াই কাবা চিঞ্জাক,সনা অমসুং শেল ওইনা পুন্না লুপা ক্রোর ৬.২৬ লোম ফাগৎপা ঙমখ্রে। মণিপুরদনা লুপা ক্রোর ২৬.৮০ রোমগী মমল ওইগদবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং ফাগৎপা ঙমখি।

অতৈ ষ্টেটতগী ফাগৎখিবনা অরুনাচল প্রদেশতগী লুপা ক্রোর ৩.৫১গী মাল–চাং,নাগালেন্দদগী লুপা ক্রোর ২.৬৪গী মাল–চাং,ত্রিপুরাদগী লুপা ক্রোর ১গী মাল–চাং,মিজোরামদগী লুপা ক্রোর ০.৪৩গী মাল–চাং,মেঘলয়াদগী লুপা ক্রোর ০.৩৮গী মাল–চাং অমদি সিক্কিমদগীনা লুপা ক্রোর ০.০১১গী মাল চাংশিংনি।

# এমসু: মীৎকপ থোকপা নুমিৎ থৌরম...

*লমায় ১গী মখা*

হায়রিবা ইশু অসিবু নাথৈদুনা ঙসি–ঙরাংসু সি এ বি অসি অমুক চৎনহন্নবা হোৎনদুনা য়েলহৌমীশিংবু মুৎখিনবা হোৎনরি। মসিমক থেংখাং কয়াদা এমসুনা থেংনদুনা লাক্লি। মখা তানসু থেংনখিগনি।

লোয়ননা থা অসিগী ১৭তা পাঙথোক্লদৌরিবা মীৎকপ থোকপা নুমিৎ অসিদা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্না শরুক য়াবীদুনা অথৌবশিং অসিবু ইকায় খুম্নবা উৎমিন্নসি।

হায়রিবা থৌরম অসি পিশুম চীং ঙামচা চীংদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎলবা মতুং মণিপুর কোলেজগী মল্টিপর্পজ হোলদা মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা লেম্না ঈ কৎপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।